**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 16-12-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৬-১২-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদগী আইননা থিংখ্রবা লুপগী মীওই ৪ ফারে।

২) লৈবাক্কী অতে মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মণিপুরদসু ঙসি বিজয় দিবস পাঙথোক্কনি।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ভারত অমদি জোর্দান লৈবাক অনিনা হীরম কয়াদা মতেং পাংনদুনা মরী হেন্না ফগৎহল্লগনি।

----

**পুলিস(এল)ঃ** মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎলে। আইননা থিংখ্রবা তোঙান তোঙানবা খূৎলাই পায়বা লুপগী মীওই ৪ সু ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চীং অমদি তম্পাক্কী মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী থবক অমদি এরিয়া দোমিনেসন লেপ্পা লৈতনা চথুরি। মদুগী মনুং চন্না থৌবাল জিলাগী খোঙজোম পুলিস স্তেসননা কোনবা তেন্থা তুৰাবন্দ ইরেল চীং এরিয়াদগী তুয়েল্ব বোর গন ৩, এস.এম.জি কর্বাইন ১, শেমদোক্লবা পোইন্ট থ্রি নোট থ্রি রাইফল ১, শেমদোক্লবা পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল ১, থর্তি সিক্স হাই এক্সপ্লোশিপ হেন্দ গ্রেনেদ ২ য়াওনা তোঙান তোঙানবা খূৎশুু খূৎলাই কয়া ফংবা ঙমখি হায়রি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শগোলমাং পুলিস স্তেসননা কোনবা চনুং হিল রেঞ্জ এরিয়াদগীসু খূৎশুু খুৎলাই কয়া ফংবা ঙমখি। মদুগী মনুংদা, স্কোপ য়াওবা শেমদোক্লবা পোইন্ট থ্রি নোট থ্রি রাইফল ১, মেগজিন য়াওদবা পোইন্ট থ্রি নোট থ্রি রাইফল ১, তুয়েল্ব বোর এস.বি.বি.এল ২, লোকেল মেদ এস.বি.বি.এল ৪ অমদি তোঙান তোঙানবা নোংমৈগী মরুশিং য়াওনা খূৎশুু খূৎলাই কয়া ফংখি হায়রি।

পুলিস স্তেসন অসিনা কোনবা চংশাং হিল রেঞ্জ এরিয়াদগীসু কন্ত্রি মেদ নাইন এম এম পিষ্টোল ১ য়াওনা খূৎশুু খূৎলাই কয়া ফংখি হায়না পুলিসকী পাউনা মখা তারি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইন্তল্লিজেন্স বেজ কোম্বিং কোর্দোন অমদি সর্চ ওপরেসন চথুবদা জি-ফাইভকী মীওইনি হায়বা প্রিপাক্কী এক্তিভ কাদর অমা, কৈশাম্পাৎ কোঞ্জেং হজারি লৈকাইদগী ফারে। প্রিপাক(প্রো)গী এক্তিভ কাদর অমসু বিষ্ণুপুর জিলাগী লোক্তাক প্রোজেক্ট গেট এরিয়াদগী ফারে হায়রি। কে.সি.পি তাহবংঙানবগী মশানা মশাবু ইন্সর্জেন্টনি হায়জবা মীওই অমসু হৈরাংগোইথোঙ এরিয়াদগী ফাবগা লোয়ননা প্রিপাক্কী অতোপ্পা মীওই অমসু কিয়ামগৈ মমাঙ লৈকাইদগী ফারে হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা, ময়াই কাবা নিশা ব্রাউন সুগর কিলোগ্রাম ১ পুরম্বা কামজোং জিলাগী মুহরৈ খুলদগী মীওই অমসু শওম্বুং তেজপুর এরিয়াদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে হায়রি।

**বিজয় (এল)ঃ** লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মণিপুরদসু ঙসি বিজয় দিবস পাঙথোক্কনি। ইং ১৯৭১ গী ভারত পাকিস্তান লানদা ভারতনা চাউনা মাই পাকখিববু নিংশিংদুনা পালন থৌরম অসি পাঙথোকপনি। লানফম অদুদা, লৈবাক্কীদমক থৱাই কৎখ্রবা অথৌবশিংগী ৱারি কয়া অদুনা জাতি অসিগী চাউথোকচফম ওইরি।

মনিপুরদা মপুং ওইবা থৌরম রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা এম.এস.এফ.দি.এসকী পেলেস ওদিতোরিয়মদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা অমসুং চীফ সেক্রেতরি ডাঃ পুনিত কুমার গোয়ল শরুক য়াগনি।

**হেলথ (এল)ঃ** দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেস মণিপুর অমসুং ষ্টেট হেলথ সোসাইতি, নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরনা নেসনেল নিউ বোর্ন ৱিক ২০২৫-২৬ রাজ্য থাক্কী ওইনা ঙসি হৌদোক্লগনি। হৌদোকপগী থৌরম অসি লমফেলপাৎতা লৈবা দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেসকী এন.ঐচ.এম কনফরেন্স হোলদা পাঙথোক্কনি। নৌনা পোক্লকপা থা ফাদ্রিবা অঙাংশিংবু খুদোংথিবা থোক্তনবা করমা শেন্নগদগে হায়বা হীরমশিং মীয়ামদা পাক শন্না খঙহন্নবগীদমক চয়োল পালন অসি পাঙথোকপনি। চহী অসিগী ওইনা পালন থৌরম অসিগী হীরমদি- নিউ বোর্ন সেফতি-ইভরি টচ, ইভরি টাইম, ইভরি বেবি হায়বসিনি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা রাজ্যগী হেলথ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডাঃ এন. হেমন্তকুমার সিংহ, ষ্টেট মিসন দিরেক্তর, এন.ঐচ.এম- ডাঃ এম. দিনেশ সিংহ অমসুং ফেমেলি ৱেলফ্যার সার্ভিসেসকী দিরেক্তর ডাঃ এন. বিনো সিংহ শরুক য়াগনি।

**পাঙল (এল)ঃ** মৈতৈ পাঙল ফুরুপকী ওইনা চাউথোকচনিংঙাই ওইবা পাউ অমদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা য়াইরিপোক্তগা চহী ২৩ শুরবা মোহমদ জকারিয়া ভারত লান্মীগী লেফটনেন্ট ওইনা কম্মিসন তৌখ্রে। ঙরাং ইন্দিয়ন মিলিটরি একাদেমিদা পাঙথোকপা পাসিং আউট পেরেদকী অপুনবা কেদেদ ৪৯১গী মনুংদা মহাকসু অমনি। মহাকা ভারত লান্মীগী অসিগুম্বা ফম অমা পায়বা ঙম্লকপা অসিমক মহাক্কী ইমুং মনুং মহাক্কী পোকফম য়াইরিপোক অমদি রাজ্য অসিগী মীয়ামগীনি। মহাকপু থবক অসি খল্লকপসিনা হৌরক্লিবা লমদম অসিগী নহা কয়াদা অসিগুম্বা লেমজনিঙাই ওইরবা থবক অসিদা চংনিংবগী অপাম্বা ফাওহল্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ভারত অমদি জোর্দান লৈবাক অনিগী মরক্তা লল্লোন ইতিক, দিজিতেল, হার অমদি তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা মতেং পাংনদুনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহল্লগনি। ৱাফম অসি নুমিৎ নিনিগী জোর্দানগী খোঙচত্তা অমানদা লৈরিবা প্রধান মন্ত্রিনা ফোঙদোকখিবনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা জোর্দানগী নিংথৌ অব্দুলাহ দ সেকেন্দ বিন অল হুসেনগা ঙরাং উনবদা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবা ৱারি শাখি। মদুদা, টেরোরিজম, এক্সত্রিমিষ্ট অমদি রেদিকেলাইজেসনগী মায়োক্তা জোর্দাননা লৈবগীদমক প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা শিংথাখি। শ্রী মোদিনা হায়-

**--সাউন্দ বাইট--মোদি**

**য়ু.আরঃ** লৈবাক অসিদা থবক ফংদবগী চাং চহী অসিগী নবেম্বর ফাওবদা শিংথানিংঙাই ওইনা হন্থদুনা চাদা ৪.৭ তা লৈরে। কেন্দ্রগী স্তেতিসতিক্স এন্দ প্রোগ্রাম ইমপ্লিমেন্তেসন মন্ত্রালয়দগী ফংবা দেতাগী মতুং ইন্না- খুঙ্গংগী মফমশিংদা

থবক ফংদবগী চাং অসি হন্থরক্তুনা চাদা ৩.৯ দা লৈরে। অদুগা, সহরগী ওইনা চাদা ৬.৫ দা লৈরি। চহী অসিগী অহৌবা শরুক্কা য়েংনবদা খ্বাইদগী হন্থবা চাংনি। চহী ১৫ গী মথক্তা লৈবা শীন্মীশিং থবক শুবগী চাং হেনগৎলক্তুনা নবেম্বা থা ফাওবদা চাদা ৫৮.৮ ওইরে। মসিগী মনুংদা চাদা ৫৮.৬ না খুঙ্গংগী ওইনা হেনগৎলকপনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সেন্তরগী লুচিংবশিংনা খঙকৌ কৌরকপদগী বি.জে.পি এম.এল.এশিংনা দেল্লিদা চত্তুনা মীফমদা শরুক য়ারুরবসু লৈঙাক শেম্বদি তামা লৈরি হায়না- হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন পীরি।

ষ্টেটকী থাক্তা হোম অমদি পুলিস দিপার্টমেন্টকী মীফম পাঙথোকখ্রে, টেকোলোজি শিজিন্নদুনা পুলিসকী মপাঙ্গল কনখৎহনগদবনি হায়না গভর্ণরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- সনালৈবাক পাউচেদা হেদলাইন পীদুনা ফোঙলি। পাউ অসি- পিপলস ক্রোনিকলদসু তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা ফোঙলি।

মোটবুংদগী মাউ ফাওবগী মরক্তা পুলিস চেক পোষ্ট অমসুং স্তেসনশিংনা ইল্লিগেল ওইনা শেল লৌরে হায়না গভর্ণরদা ৱাকৎ খ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনা হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইননি।

পোক্সো কেসকা মরী লৈননা মীওই অমা ফাদোক পীখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনা- মণিপুর মেলদা ফোঙবা থেংনরে। পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদসু তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোঙলি।

মণিপুরগী বি.জে.পি এম.এল.এশিংগী দেল্লি মীফম তোখাই তাবগী দিমান্দ কান্নরোই, মীয়ামগী মীহুৎশিংনা মাগী মাগী ফুরুপকী ওর্গনাইজেসনশিংগী প্রেসরদা চৎলোইদবনি হায়না বি.জে.পিগী লুচিংবা অনিনা খঙহল্লকখি হায়বা পাউ অসি পোকফমগী অহানবা হেদলাইননি।

ম্যান্মারদা এম.পি ওইরম্বা থাংলেনপাউনা মণিপুরগী লালহৌলুপ ৮গী লুচিংবা ওইরি, ভোৎ থাদবগী হকসু ফংলি হায়না- পোকফমদা অনিশুবা হেদলাইন পীরদুনা ফোঙলি।

ম্যান্মার মচা অমনা ইন্দিয়াগী পাসপোর্ট করমা পায়রল্লিবনো হায়না হোম মিণিষ্ট্রিনা মণিপুরগী চিফ সেক্রেটরিদা হংলকখ্রে, জেট আর.এগী চিফ টি গুইতে অসি ম্যান্মারগী হান্নগী এম.পিনি হায়বা হেদলাইন অসি- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

**--পাউ লোইজরে--**